# শুমাঙ লীলা নুমিৎ

চহী খুদিংগী এপ্রিল থাগী ১২নি চনবা নুমিৎ অসি মণিপুরগী মীয়াম্না খ্বাইদই পাম্না য়েংনবা, পোপ্যুলর ওইবা থিয়েত্রিকল-আর্ট-ফোর্ম 'শুমাঙ-লীলা' দা কখোল্লকবা নুমিৎ অমা ওইনা থৌরম পাঙথোক্লরক্লিবা - কুমসি চহীসি থারগা ২১রক শুরে। ২০২২, এপ্রিল ১২ লৈবাকপোকপা নুমিত্তা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুগী চেবাউ, মণিপুর ষ্টেট শুমাঙ লীলা কাউন্সিল'না পীরকখিবা কার্দ অদুদদি '২২শুবা শুমাঙ লীলা নুমিৎ' হায়না ইরম্মী। অদুগা, থৌরমদুদা চাইথোকখিবা চেফোঙ অদুগী ৱারোলদুদা ইরম্মী ... 'ইং ১৯৮৪গী এপ্রিল ১২দা ফমখিবা অপূনবা মীফম অমনা মণিপুর ষ্টেট শুমাঙ লীলা কাউন্সিল কৌবা শুমাঙ লীলাগী অপূনবা খূৎপু অসি শেমখি। অমত্তা ওইনা পূনখিবা কাউঙমদ্রবা নুমিৎ অসিবু মতম পূম্বদা নীংশিংদুনা লৈহৌনবা ইং ২০০২দা আর্ট এন্দ কলচরগী মন্ত্রি ওইবীরম্বা ডা. এম নর'না চহী অদুদগী হৌরগা এপ্রিল ১২ অসি শুমাঙ লীলা নুমিৎ হায়না লাউথোকপীখি'...।

২০০২, এপ্রিল ১২দা পাঙথোকপা হৌখিবা 'শুমাঙ লীলা নুমিৎ' অদুনা অহানবা ওইরবদি, অনীশুবা-অহুমশুবা-মরিশুবা লেপ্তুনা পাঙথোরকপসিনা ২০২২, এপ্রিল ১২দা পাঙথোক্লিবা থৌরমসি ২১শুবনি, ২২শুবা নত্তে। মথংগী নুমিৎ'দগী ২২শুবা চহীদা চঙশিনগদৌরিবনি। খনখিবনি - প্রিন্টিং মিষ্টেক ওইরমগনি। অদুবু, থৌরম শীল্লি-লাংলিবা থৌমীশিংগী চীন্দগীসু লাউথোকখি - থৌরম অদু ২২শুবা শুমাঙ লীলা নুমিৎনি। মদুদদি খঙখি থৌমীশিংগী খূৎথেক-কালক্যুলেসন অদু কদায়দনো অমা লাল্লে। তাজৈ - মথং চহীগী থৌরমদদি চুমথোরক্কনি। অৱায় অখুম, চুমথোক চুমশিন অমুক তৌনদ্রবসু - চেফোঙদুদা ফোঙলিবা, ২০০২দা থোকচোম ইবোয়াইমা এৱার্দ ফংখিবা, অহানবা এৱার্দি অসি ফংলিবা 'শ্রী মোইরাংথেম ভোরোৎ সিংহ' গী মিং ২১শুবদা নল্লিবদুনি। অরানবা থিবা নত্তে, লানহন্নীংদবনি।

থৌরম অসি মণিপুর ষ্টেট শুমাঙ লীলা কাউন্সিল'না শীন্দুনা চহী খুদিংগী পাঙথোকই হায়বসি চহী খরগী মমাঙদগী খঙলক্লবসু মতাং-মতম চানদবনা অমুক্তা য়াওবা ফংলকখিদে। ২১শুবা চেপ্তুরসিদা য়াওরুবসিনা অহানবনি। থৌরম অসি য়াওরুঙৈ, মওল মওল ৱাখল কয়া খল্লকখি। পূক্নিং নুংশিবা মীকুপ কয়াদা পিরাং ঈহৌরকখিবদু ওন্থোক্লা ৱানা খামজিনখিবনি। ইয়ুম ইরানয়াইদা হল্লক্লগা খনখি - পূক্নিং ইহুল ময়ামদু ৱারেং ওইনা ইথোক্কে। কলম পায়খৎলুরগদি, থোল্লকখিদ্রে ৱাহৈ অমত্তসু। ইফম খঙদ্রে- করম্বা ৱাহৈনা, করম্না হৌদুনা ইগনি! মীৎমাঙসিদা চোঙথোল্লকখিবা মতম অমগী অফাওবা, মায়কৈ ঙাকপা কলাকারশিংগী - কুফেৎ কাফেৎ তন্দগুম ঙাল্লমখিবা শক্তমশিংদুগী পুন্সি ৱারী, কনানসু ইথোকপীরমদবনা, অসিগুম্বা শুমাঙ লীলা নুমিৎ কয়া অমা থৌরম পাঙথোল্লবসু তপ্না তপ্না লৈরোন চনশিনখিনি, নীংশিং শক্তম মূৎখিনি। কলাকারশিং অদুগী পুন্সি-ৱারীদি হায়রুনু, শক্তমশিংদুগা শাগোন্নবা মমীংদুফাও খঙলক্ত্রে। করিনো ঐনা ইদৌবা? খঙনীংবনি, ইনীংবনি, তম্নিংবনি মীয়ামদা শুমাঙ লীলা নুমিৎসিদা, তাবুনুংদা লোৎখ্রবা শুমাঙ কূমহৈরোয় মখোয় খরদুগী মপাউ। অদুবু কৈদৌরুনি! লাংতক্লজবদুতা মঙায়রে।

শুমাঙ লীলা! আর্ট ফোর্ম মখল অসি লমদমসিদা কমদৌনা মপান-মউ লীংলকখিবা-হৌরকফমগী ৱারীদুদি পূম্নমক্লা খঙনরে। য়ানীংবা/য়ানীংদবা, য়েৎননীংঙাই ওইবা ৱাফম খরা য়াওরবসু লাইরিক ওইনা ফোঙদোক্তুনা লৈরবনা, ৱাফমসিগী মতাংদা করিমত্তা পঞ্জররোই। অদুবু, থৌরম অদু য়াওনা য়াওনা ৱাখলসিমদি খামঙমদনা খল্লকখি ... '২১ নৎত্রগা ২২শুবা শুমাঙ লীলা নুমিৎ' হায়না থৌরম পাঙথোল্লবদি শুমাঙ লীলা হায়বা আর্ট-ফোর্ম অসি চহী ২১/২২ খক্তা ঙাইরিবা, নৌরিবা আর্ট-ফোর্ম অমা ওইনা লৌনখিরোইদ্রা...? ঐ'মক্লসু হংখি, শুমাঙ লীলা কাউন্সিলগী লাইফ-টাইম-সেক্রেটরি 'হেমন্ত'দা - করিগীনো? ইচম চম্না হংখিবা নত্তে। মহাক্লা শম্না খুল্লকখিবা পাউখুম, নুমিত্তুগী থৌরমদা মীয়ামদা য়েন্থোকখিবা চেজাইদসু ময়েক শে ংনা ইরম্মী। অপাবশিংদসু পাউ অদু য়ৌহন্নীংদুনা ইথোক্লিবনি।

কৈদৌঙৈ, কনানা, করম্বা কাঙলূপ্না, ইহান হানবা 'শুমাঙ-লীলা' শান্নখিবগে? হায়বদুগী চপ চাবা ইনফোর্মেসনদি কনানসু পীবা ঙল্লোই - খঙই ঐ, হংসু হংলোই। অদুবু, মীবু নোকহনবা, ঙাইহাক নুংঙাইহনবগী কূমহৈ (পর্ফোর্মেন্স) মখল অসি মণিপুরগী নিংথৌকোন'দগী হৌখিবনি হায়বসিমদি চুমগনি। মরমদি, মতমদুদা নিংথৌগী চৈরাক অসুক্কী মতিক কল্লি, মদুদি, নিংথৌগী অয়াবা য়াওদনা কূমহৈ-ফিহোং-ঈশৈ-নোংমাই করিমত্তা তৌবা য়ারমদে। ফাগি হৈবা, ঈশৈ হৈবা, লৈকায় লৈকায়দা লৈবা কলাকারশিং, অঙম অথৌশিংনা নিংথৌগী দরবার'দা পুরক্লগা নিংথৌগী মমাঙদা উৎহল্লগা, নিংথৌনা অয়াবা পীরবা মতুংদতা মীমাঙদা উৎপা য়াগদবনি। অসুম্না হৌরকখিবা ফাগি লীলা থোক লীলা, চেংবা ফাগিনচিংবগী ৱারী সেমিনার পেপরনচিংবা অখঙ-অহৈশিংনা পাথোকখিবা আর্টিকলশিংদা পাখরে, লেকচরশিংদা তাখরে। অদুগুম্বা কূমহৈ মচা-মচাশিংদগী মণিপুরগী খুল্লক-ইরক-য়ূম্লক্তা য়ৌরকখিবদগী (বেঙ্গলগী যাত্রানসু ইথিল পীখিবা) 'শুমাঙ লীলা' গী শকওং অসি ওইরকখিবনি থাজনৈ।

হৌরকপদা, শুমাঙ লীলাগী কলাকারশিং, নীংথিনা ওর্গনাইজ তৌরবা অপূনবা খূৎপু ওইনা লৈরমদে। মীয়াম্না পাম্নবা, মমিং চৎপা কলাকার অমগী কাঙবু ওইনা, নৎত্রগা, কাঙলূপ অদুগী হৌরকফম লম/লৈকায়দুগী মিং পক্লা খঙনবা কাঙলূপ কাঙলূপ ওইনা লৈনরম্বদগী ১৯৭১ অদুৱাইদা 'ওল মণিপুর যাত্রা এসোসিএসন' (অমজা) কৌবা সংস্থান অমা লীংখৎলকখি। বেঙ্গলগী যাত্রা কৌবা ফোক আর্ট মখল অদুগী মমি তাখি হায়বসিমদি ইতিহাসকী তাঙ্কক অমদা থোল্লকখিবা থৌদোকসিনা তাকই। সংস্থান অসি চহী তরা/তরামাথোইরোম হিংলম্মী। ১৯৮৪দা মতমদুগী শুমাঙ লীলাবু নুংশিজবা/পামজবা কলাকারশিং অমসুং অইবশিংগী অপূনবা মীফম অমনা 'মণিপুর ষ্টেট শুমাঙ লীলা কাউন্সিল' কৌবা এপেক্স বোদি অমা শেমদুনা অনওর্গনাইজ-শুমাঙ-লীলা-ওর্গনাইজেসনশিং অদুবু ওর্গনাইজদ সেক্টর'দা পুশিল্লক্লবা খোঙথাং অমা থাংলকখি। নুমিৎ অদু এপ্রিল ১২ শগোলশেন নুমিনি।

ঐতিহাসিক ওইরবা, কাউফম থোক্তবা নুমিৎ অসি নীংশিংদুনা লৈহৌনবা, ২০০২, মতমদুগী মণিপুর লৈঙাক্কী 'আর্ট এন্দ কলচর' - মিনিষ্টর ওইরম্বা ডাক্তর মোইরাংথেম নর সিংহ'না এপ্রিল ১২, নুমিৎ অসিবু 'শুমাঙ-লীলা-নুমিৎ' হায়না লাউথোক্তুনা, চহী খুদিং পাঙথোল্লবা ফিরেপ লৌখি। মণিপুর লৈঙাক্কী মিনিষ্টর অমনা লাউথোকখিবা থৌরমদু লৈঙাক্তুনা পাঙথোকখিদ্রবসু, নুমিত্তুদগী/চহীদুদগী লেপ্তুনা 'মণিপুর ষ্টেট শুমাঙ লীলা কাউন্সিল'না ঙসি ফাওবা পাঙথোক্তুনা লাক্লি। ইচম চম্না নীংশিং থৌরম অমা পাঙথোক্তুনা, লৈখিদ্রবা কলাকারশিংগী মিতম'দা হৈ-লৈ কৎলগা তোকপা নত্তে। কলা মখল অসিগীদমক মমল নাইদ্রবা খুদোল, তৌরম্বা কলাকার অমমম খনগৎলগা 'ইবোয়াইমা শুমাঙ লীলা এৱার্দ' হায়বা মনা অমমমসু পীরিবনি। মণিপুরগুম্বা অপিকপা ষ্টেট অমগী থাক্তদি এৱার্দ অসি মশক নাইবা, অচৌবা খুদোল অমনি। মণিপুর গভর্ণমেন্টকী ওইবা 'ষ্টেট ফঙ্কসন' অমা ওইনদি কৈদৌনুংদা পাঙথোল্লরোইদবাথৌরম অমা ওইবনা, মতুং তারকপা থৌরমশিংদদি নুমিৎ অসি মতমদুগী 'আর্ট এন্দ কলচর মিনিষ্টর' না লাউথোকপীরম্বনি হায়বা ৱাহৈসিমদি শীজিন্নহন্নীংদে, 'মণিপুর ষ্টেট শুমাঙ লীলা কাউন্সিলগীদমক ডাক্তর নরনা লাউথোকপীখি' - হায়হন্নীংই। শুমাঙ লীলা কাউন্সিল'না পাঙথোকপা নত্তনা 'শুমাঙ লীলা নুমিৎ' কনানসু পাঙথোল্লক্লোই।

এপ্রিল ১২ -শুমাঙ লীলাগীদমক্তি য়াম্না সিগ্নিফিকেন্ট ওইবা নুমিৎ অমনি। ১৯৮৪ এপ্রিল ১২গী মীফম'না মণিপুর ষ্টেট শুমাঙ লীলা কাউন্সিল শেমখি। শুমাঙ লীলাবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎনবা হোৎনরম্বা, শুমাঙ লীলাগীদমক লৈজবা কয়া কখোল্লম্বা শ্রীথোকচোম ইবোয়াইমা সিংহ, ২০০১ এপ্রিল ১২ শগোলশেন নুমিত্তা তাইবঙপান থাদোক্তুনা চৎখি। ২০০২ এপ্রিল ১২, ইরাই নুমিত্তা শুমাঙ লীলা নুমিৎ পোকখি।

২১শুবা শুমাঙ লীলা নুমিৎকী 'ইবোয়াইমা শুমাঙ লীলা এৱার্দ', শক্লাইরবা শুমাঙ লীলা এক্টর/প্রোদ্যুসর/দাইরেক্টর মোইরাংথেম ভোরোট সিংহগী মফমদা লান্থোকখি। খ্বাইদই থম্মোয় শোকখিবদি, অদুক হাক্লা অহল হায়বদু ওইদ্রিবা, তাঙলবা কলাকার অসি উবগী পাঙ্গল য়াওদ্রবা, ফিরেপ চুম্না চৎঙমদ্রবা, কনাগুম্বা অমনা ঙাক্লৌ ওইদ্রবদি খোঙকাপ অমত্তসু থাং'ঙমদ্রবা মীশক অমা ওইরম্বদুনি। পুন্সি য়াচঙলকপদা শুমাঙ লীলাগী শক্লাইরবা কলাকারশিংনা ওইরিবা শক্তমশিংসি উরগা, কলাকার ওইনীংবগী ইথিল কনানবু পীরমগদগে?

*–ইন্দ্রকুমার*

# ঈশৈ অমা লোইখিবদা

মায়াপুর! আহ, মায়াপুর! মণিপুরদগী মৈতৈ ঐঙোন্দা ঙক্লা থোক্তে। মায়াপুর! মণিপুর! না-পু তাবা মান্নবা থায়নগী শৈরেং নীংশিংই। থম্মোয়দসু থৱায়দসু নকশিনবা মিংদানি। নক্লে। মণিপুর। সনা লৈবাক মণিপুর। মায়াপুর। আমার সোনার বাংলাগী লাইগী লৈবাক মায়াপুর। নবদ্বীপতা গঙ্গাদা ইমাগী ফুল থাদবা চৎপনি। লাইফম কয়াদা পরিক্রমা চৎলি। গঙ্গাদা ফুল হেক থাদবগী মীৎকুপ্তুদি পূক্নিং নুংশি। ইধৌ, ইবোক, দেদি- পূম্নমক্কী ফুলসু গঙ্গাদা থাদখি। থাদরমদাইগী কর্ম্ম অজা-পুজাদু বৈষ্ণব অমনা তৌবী। থৱায় য়াওনা। ঐসু খ্বাং ফাওবা ঈশিংদা লুপ্তুনা ইমাগী ফুলদু খূৎ অনী লোন্নদুনা পায়রগা মীৎ উইশিন্দুনা পূক্নিংদা নীংজৈ - শিরগা পূনফম অমা লৈরবদি মফমদুদা নখোয় পূম্নমক শান্তি ওইনা পুল্লুরোকো। ওঁ শান্তি। অসুম্না নীংজরগা ফুলদু পাক্লবা ঈপাক্তুগী মপাল নাইদ্রবা ঈরোলনুংদা থাদখি ঐসু চুপ লুপ্তুনা। মীৎলুদা হৌরকপা ঈরাং গঙ্গাগী ঈরোলনুংদা তিনখি। থাদখ্রিবা বস্তুদু খোঙনা খূৎনা শোক্তনবা হোৎনরগা তোর্ব্বানলোমদা কাখৎলি। পূক্নিং হকচাং তয়াং তয়াংই। থাজবা থাজদবগী ৱা তোঙান্না থমখ্রগা লাই শোনবা, লাই নীংবা পূক্নিং ঈরুজথোকপীবা শাজেল মখল অমনি। অয়ূক য়াহৌরকপদা য়া থিন্দোক্তুনা, মায় মীৎ তাথোক্তুনা হকচাং শেংদোকপগুম, নোংমগী মনুংদা অমুক্তং ওইরবসু পূক্নিং শেংদোকপা ফৈ। লাই-তীলগী থবক্লা নৎত্রসু অমা অমনা। ষ্টিমর তোংদুনা মায়াপুর য়ৌশিল্লুই। নুমিৎ লৈথরক্লবা মতমদা। ইস্কোনগী মন্দির লৈ। চাউখ্রে, ওন্থোক্লা চাউখ্রে। মালেমসিদা খ্বাইদগী চাউবা মন্দিরগী মফম ওইরম্বা য়াই। ঐনা উবদদি মদুনা মচাউরে।

কুম্মৈদি মন্দির চঙবগী থোঙ্গাল মনাক্তগী অদুম হৌরে। বৈষ্ণবী ময়াম অমা লৈরম্মী। মখূৎ নামদা চন্দন অতকপা য়াওবা তেঙ্কোৎ অমা পায়। তেঙ্কোৎতুদা মীঙোন্দা চন্দন তৈশিন্নবা চৈতেক অমসু য়াওই। মী হেক লাকপা খুদিং চন্দন তৈশিন্নবা চেনশিল্লি। চন্দন তৈশিনবা হায়গে। চন্দন থিনবদি মৈতৈদেনি। অতৈদি তৈশিনবা ঙাক্তনি। চন্দন তৈশিল্লগা পৈশা নি। হরে কৃষ্ণ। পৈশাগী ভিক্ষা নি। ভিক্ষা হাপই। হাপ্তবসু য়াওই। পীবসু পীদবসু অমত্তা কায়দে। হরে কৃষ্ণ। পূম্নমক হরি ভক্ত ওইনা, বৈষ্ণব ওইনা উব্রা খঙদে। চৎলি-লেঙলিবা মীগী লাইবক্তা নাতোন্দা তান্নদুনা চন্দন তৈশিনবীবা মপা চানা ফজনা তাদে। নাখাং, মীৎলু স্বাইদা তৈশিন্দুনা তোকই। অদুগা অঙাংবা ময়া খিগত্তুনা নোকই। হরে কৃষ্ণ। হরে কৃষ্ণ। বৃন্দাবনদনা মী অমা থেংনবদসু কায়নবদসু লাওনৈ, শোন্নৈ - রাধে রাধে। খুরবা লম্বীদা ষণসু অদুম মচৎলি। ষণনা লম্বী তুবৎ থত্তুনা চৎপা য়াওই। শাওদে। গাড়ী খামই। ষণদুদসু কৌই রাধে রাধে। ব্রজ বৃন্দাবনদসু নবদ্ধীপতসু চন্দন কোৎতৈ তৈ। ইস্কোনগী ভক্তশিংসু অসুম্না তৈ। চৈতেক্লা নৎত্রগা খূৎনা নাতোন্দা লাইবক্তা। গৌড়ীয় সমপ্রদায়গী মৈতৈ বৈষ্ণবশিংদি চন্দজৈনা নান্না ফি মচেৎ অমা শীজিন্নদুনা হেন্দোক হেঞ্জিন শেমদুনা থিল্লি। শকয়েং মিংশেল শীজিন্নৈ। চন্দনজৈনা লাইবক্তা য়ুংনা লৈই অনী। নাখাংদা কাচি কারোং মচা অমনা নাতোনগী হাইথফমদা উনহল্লি। নাতোন্দা শিরি। লাইবক্তা ছাপ নম্বসু চৎনৈ। ঐগীসি ঐখোয়গীসিনা হেল্লি হায়বা নত্তে। থাগৎপা নত্তে। অতৈগীনা হুনবসু নত্তে। তৌবদবু কৈদাদবু হায়বৈ ৱানি।

থোঙ্গালদগী হেক হাইজিনখিবদা ঈগী তনানবা য়ূম অমা লৈ। উবদা অকাউ লৈরোলনুংদা লৈখ্রবা মশক অমা খোঞ্জেল অমা উরকই তারকই। মায়াপুর! আহ, মায়াপুর। মায়াগী লাংদগী মীৎকুপ অমতং নান্থোক্লুবগুম ফাওই। মীৎকুপ অমত্তা কাংদনা ভক্ত খরনা শোল্লি। হরে রাম হরে রাম, রাম রাম হরে হরে। হরে কৃষ্ণ হরে কৃষ্ণ, কৃষ্ণ কৃষ্ণ হরে হরে। হারমোনিয়ম অমনা তপ্না তপ্না ইল্লি। হরে রাম হরে রাম, রাম রাম হরে হরে। হরে কৃষ্ণ হরে কৃষ্ণ, কৃষ্ণ কৃষ্ণ হরে হরে। মফমদু চীকই। মীনিল তাদে। নোংমতা কাংদনা মীৎকুপ অমত্তা লেপ্তুনা। হরে রাম হরে রাম, রাম রাম হরে হরে। হরে কৃষ্ণ হরে কৃষ্ণ, কৃষ্ণ কৃষ্ণ হরে হরে। করিগুম্বা লাই হায়বমা লৈরবদি করিগুম্বা লাইগী লৈফম অমা লৈরবদি মফমদু অসুম্না তৌরমগদ্রা? অৱা-অনা অমতা পক্তনা। ফজবা ঙাক্তা। অচুম্বা ঙাক্তা। অফবা ঙাক্তা। হরে রাম হরে রাম, রাম রাম হরে হরে। হরে কৃষ্ণ হরে কৃষ্ণ, কৃষ্ণ কৃষ্ণ হরে হরে। করি অর্থনো? করি লোল-লো অসিবু? লাইগী লোল-লা? সংস্কৃত হায়বা শিখ্রবা ঙসি ঙাঙনদ্রবা লোলদুরা? হঞ্জিন হঞ্জিন চোকথবা নাইদনা। মীৎকুপ অমত্তা পোৎথাদনা। হরে রাম হরে রাম, রাম রাম হরে হরে। হরে কৃষ্ণ হরে কৃষ্ণ, কৃষ্ণ কৃষ্ণ হরে হরে। ঙাইহাক অসুম ঙক্লা তাবদগীদি লোল হায়বমা অমুক লৈত্রে। অসি হায়বা নত্তে অদু হায়বা নত্তে। তোংঙানবা অর্থ লৈতে। ময়েক মশোল পূম্নমক পুংমুৎ মুৎখ্রে। শুপ্নগী সুর অমত্তনি। পূমশুপ শুপ্পা অশুপ্পনি। হরে রাম হরে রাম, রাম রাম হরে হরে। হরে কৃষ্ণ হরে কৃষ্ণ, কৃষ্ণ কৃষ্ণ হরে হরে। ফনা লাপথোল্লবসু, ফনা কুইরবসু, ঙসিমকসু সুর অমতং ওইনা নিন্দুনা লৈরে। হরে রাম হরে রাম, রাম রাম হরে হরে! হরে কৃষ্ণ হরে কৃষ্ণ, কৃষ্ণ কৃষ্ণ হরে হরে। হারমোনিয়ম্না তপ্না ইন্দুনা ঈংলবা ঈগী য়ূম অমদগী।

মাঙখ্রে মাঙখ্রে মৈতৈগী ঈনা কুপ্পা লাইখন তাবা য়ূমজাও। ষষ্ঠি লৈঙোয় হাপ্তুনা নান্না তৈবা শুমাঙ মাঙ্গোলদা হীদাকফু চিংদুনা থকপা, মনাক্তা শান্নবা মশু কৌশিন্দুনা রামায়ণ, মহাভারতকী ৱারী লীগনবা ঐখোয়গী ইধৌ খম্নুং শৱা তানখিবা কুইরে। মচা-মশু মমিং থোনবদা লাই-তীলগী মমিং থোনজগনবা মৈতৈ অহলশিং- ঐখোয়গী ইপা-ইপুনি। কদাইদা ঙম্না চৎখ্রে - দামোদর, বঙ্কবিহারী, রাধেশ্যাম, মুকুণ্ড, মুরারী, রুক্মিনী, রাশেশ্বরী, রাধারানী। বৈষ্ণবতুদি অয়ূক চাকচামাঙদা ঈরু-মায়থজদবা বৃন্দাদেবী মখোঙদা চন্দন-চৱা থিন্দবা লাই খুরুমদবা নোংমতা য়াওদে। বৈষ্ণবতুগী নোংমগী শিন্থা অমনি। পুন্সিগী শরুক অমনি। নোংমগী মাগী চরা চিন্দমদগী চাদ্রিঙৈদা খরা খায়দোক্তুনা শ্রী হরিদা কৎলি। ঈশিং খুয়া অমনা জয় কৃষ্ণ হায়না আচমন তৌরগা প্রসাদি খুল্লি। ফমেন্দা মখ্বাং তিংনা ফমদুনা মালা জপ তৌই। হরে রাম হরে রাম, রাম রাম হরে হরে। হরে কৃষ্ণ হরে কৃষ্ণ, কৃষ্ণ কৃষ্ণ হরে হরে।

সন্ধ্যাদা তুলসি মখোঙদা বর্তি মৈরা কৎলি। জয়দেবগী দশবতার থি- প্রলয় প্রধিজলে... জয় জগদিশ হরে। সন্ধ্যাদা আর্তি কৎলি- আর্তি ব্রজরাজ নন্দকুমার...। শগোলশেন খুদিংগী অচা-অথক হৈরাং-লৈরাং কৎলি। খোঞ্জেল ৱাংনা শৈহল্লি। - ধন মর নিত্যাইনন্দ। পতি মর গৌরচন্দ্র। প্রাণ মর যুগলকিশ্বর। মশানা পুংসু পায়। খিৎ তা ধিন তা ধিন তেন তা। মশু ঐখোয়সু শৈখুম্মী। ধন মর নিত্যাইনন্দ। অসিগুম্বা ইধৌহোয়গী মীরোল অমা লৈখিদ্রে। ঙম্না বৃন্দাবন প্রাপ্তি ওইখরে। খুঙ্গং অমা মতমগী ঈশিংঈচাওনা থুম্মৎতুনা লৈখরে। সহর মচা অমনা মসিগী মোংফমদা ফুৱা দলান শাগৎলক্লে। মৈতৈ অহলশিংগী লোইশিনখিদ্রবা ৱারী কনানা লীবিগনি। লাইখন তাবা য়ূমজাওনা তেকথখ্রবদা ৱারুহুমদাংনসু ৱারী মখা লীররোই। লাও গৌরচন্দ্র। লাওনে তা যুগল। লাওনে নঙবু ইতাও কিশ্বর।

হারমোনিয়মগী নুংশিবা মখোল। জগোয় রাসকী মোইবুং খোঞ্জেল। ঐনা পামজবা অমেরিকান দ্রামাটিষ্ট অমনা ইন্দ্রি ফুকপা বাঁশী খোঞ্জেলবু য়াক্লা নুংঙাইতে পনখি। হায়সনু। য়ামখ্রবা সংস্কৃতিগী ইফুৎনি মালেমসিদা।

সংসারসিবু করিনো? ঙসিগী সংসারসিবু নুংঙাইরিবরা? কনানা ইপানো? কনানা ইমানো? কনানা ইচানো? মখোয়না হায়। পূম্নমক মায়ানি। পূম্নমক অরেম্বনি। কলি যুগসিদা হরি নামতনা লেঙদবা পান্বেনি। মায়াগী লাংদগী নান্থোকউ পূম্নমক অমম-অঙান খায়বা মপুগী লীলানি। ঐ গীতাগী স্যাংখা দর্শন-তনা অরোইবা ৱাহৈনি হায়বা ঙমজদে। কর্ম্ম যোগী অমদি ভক্তি যোগী অমা ওইবদি য়াম্নমক তঙাইফদবনি লৌই। সংসারসিগী নুংতিগী পুন্সিসিদা হিংনা হিংনা, ঐগী মীগী লৈবাক্কী ওইবা মঙ অমা, মপূং ফারবা দিবা জীবন অমগী সাধনা তৌবদা করি কায়বগে? মীচম অমগী দর্শন শাস্ত্র-কা হায়গদ্রা? পুন্সিসিদগী চেন্থোল্লগা ফংবা মুক্তি নত্তবা; পুন্সিসিদা লুপশিল্লগা ফংবা মুক্তি।

থোরকপদা থোঙ্গাল ৱাংমদা নোক্লা নোক্লা তান্নদুনা চন্দন কোৎপি পৈশা নিবী বৈষ্ণবীশিংদু অদুম মরৈরম্মী। কনানো অমা ফাদুনা চন্দন কোৎতৈ তৈবিখ্রে। হরে কৃষ্ণ। ঐগুম্বা বৈষ্ণব চেঙজংবা ওইরমদুনা। হায়হৈদে কৈনো। হং হং। হরে রাম হরে রাম, রাম রাম হরে হরে। হরে কৃষ্ণ হরে কৃষ্ণ, কৃষ্ণ কৃষ্ণ হরে হরে। নাকোংদনা তাবা নত্তে। পূক্নিং হকচাং থুম্না তাই। হরে রাম হরে রাম, রাম রাম হরে হরে। হরে কৃষ্ণ হরে কৃষ্ণ, কৃষ্ণ কৃষ্ণ হরে হরে।

*-কাংজম রাধাকুমার*

*(অইবগী ফোঙখ্রবা ৱারীমচাগী লাইরিক 'আ!! থম্মোয় লকানুংদগী' দগী লৌখৎচবা)*

ৱারী ককনাউ

# ইচা ওন্নরে

তাইবোহল চহী ৭৬মুক শুরে। নিশা পাশা চাদবা, তুম্বা চাবা, শাজৎ লিচৎ ফজবনা অদুক কা হেন্না মশা শোনবা হায়বদুদি ওইদে। য়েংবদা তিক তিক লাওরি। মাগী হায়বু নাদু খজিক তাবা ৱাৎপদৌনা তৌই। অদুসু কা হেন্না তাদবদি নত্তে। 'তারোদনা হায়সু তাদে, তারনুদনা হায়রসু হুত্তনা হেক চঙই'' হায়দুগী টাইপনি। অদুগা মমিৎতুমদি অরাপ্পসি কয়া ময়েক শেংদ্রে। কেটরেক্ট লৈবনি, ডাক্তরনা ওপরেসন মচা অমা তৌথোকসি অদুগা লংত্রিক লংখৈ উনি হায়রবনি। অদুবু মানা ওপরেসন হায়দুদা কিবদগী, আই দ্রোপ হাপ্পা হাপ্পগা লৈবনি। অদুবু ফবদি নত্তে। উবৈ চাংসি খরা ৱাৎলে।

মচা নুপা অমখক লৈ, থবক শুবা চৎলি। মশুনুপী পুংকক চাওরে। ক্লাস ফোর তল্লে। কোভিদ-১৯গী অরোইবা লৈত্রিবনিনা, ভেনদা অঙাংশিং ব্রোইলর পুবদৌনা পুবদু নুংঙাইতদুনা মাগী গাড়ী মচাদুদা থিন্দোক থিনজিন হেক হেক তৌই। নহানদি ওন্থোকপা অমা মখোয় ইমুংদা থোক্লে। তাইবোহলনা মশুনুপীদু মাস্ক স্কুলদা থিল্লুরে। লৌবসু মাগী দ্যুটিনি অদুনা খরা ঙল্লপ চৎলগা মশুদু লৌনবা স্কুল মমাঙগী নুংশাদুদা মাস্ক অমা উপ্পগা ঙাইরি। উচিন নাচিন্না স্কুল ছুটি থারে। তাইবোহলনা মশুদি ঙাইরি। থোরক্লিবা মহৈরোয়শিংদু মমায় মমায়দুদা লোইনমক মাস্ক অমমম উপ্পী। অঙাংগা ওইরে, মাস্কদা উপ্পে, ইমান ইমান হেক মান্নবদুদা, তাইবোহলনা মখূৎ থাঙ্গৎতুনা মশুনুপীদু কৌজে। নুপীমচাদুসু মপুগী মনাক্তা চঙশিল্লক্লগা মাগী গাড়ীদুদা তোংমিন্নরগা য়ূম তান্না থৌরকই। উচিন নাচিন্না য়ূম য়ৌরবদুদা, নুপীমচাদু লক্কক তৌই থোঙ্গালদুদা। তাইবোহলনা মশুদুদা নুংশিনা কৌশিল্লি,

''লাও লাও চাক লাম্বনা লোইরম্মনি''

অঙাংদুসু অদুম চঙলকই। মমানা মচা লাক্লে তাবদা ইমুংদগী পরপ পরপ থোরক্লগা মচাগী মমাঙদুদা চপ হেক লেপ্পী। লক্কক তৌরগা য়েংই। মাস্কতু পরপ পরপ লৌথোক্লুই। অদুগদি মাগী মচাদু ওইরমদ্রে। মচিনগা ইতুম তুম্বা, মমিৎকা ইরাও লাওবা নুপীমচা অমা ওইরম্মে। অঙাংদু উবদা মমাদু খংপ্রেক খংলগা খংলাও লাওরকই।

''ইচা ওন্নরে, য়ারোই সিদি য়ারোই, ইচা ওন্নরে''

মমৌনুপীনা খংলাও লাওরকপদুদা, ইমুংদা চঙগে হায়দুনা মখোঙ নাম্মা কানশিল্লুরবা মপুদু চপ হেক লেপ্পী, হন্না য়েংলুই, মাগী মশুনুপীদু ওইরমদ্রে। মবেনদুনসু হায়রকই।

''কৈনো নঙবু ঙাওরবরো? মচিনগা ইতুম তুম্বা, মমিৎকা লাওবা সিবু ইশুনি হায়দুনা পুরক্লিদুবু নঙগী নমিত্তুবু য়ুরবরো?''

''হা কৈনোনে হায়রিসিবো? ঐদি মাল্লি হায়দুনা খূৎ থাঙ্গৎলুবদা চঙলকপনি, ঐসু গাড়ী থৌরগা তোংমিন্নরগা লাক্লিসিনি''

''য়ারোই য়ারোই ইচা ওন্নরে, মপাদা ফোন তৌগে, সিদি ঐগী ইচানি হায়বা ঐ ঙমজরোই। ইচা পীয়ু ইচা পীয়ু'' কপখৎলকই।

মোই ময়ামদুনা য়ৌ য়ৌ তৌনরকপদুদা অঙাং নুপীমচাদুসু মমিৎতা মপি ইরা চেল্লকই। পেহৌ পেহৌ তৌরকই।

''ইবেম্মা ইশুবু করি লমদগীনো? ইপু থিনগে। হায়য়ু হায়য়ু''

ঙসাইখৈ তূমিন লৈরম্বা নুপীমচাদুসু কপথোরক্লে।

''ইমা ইমা ইমা...''

কপ্লিবা মমাদুসু কপ্পা কপ্পা খুম্মী।

''সিবু কমাই তৌদুইনো, ঐগী ইচাদুনসু ইমা ইমা হায়না কপ্লমগনি, ইচা ওন্নরে...'' অঙাংদুসু কপ্পদা মরোল হাপ্পক্লে,

''ইমা ওন্নরে, ঐবু য়ূমদা থিনবীয়ু থিনবীয়ু''

''কমাই তৌনি তৌরিসিদি, মসি পূম্নমকসি হনুবা নঙনা নমিৎ ওন্দদনা তৌরিনি। চৎলো হৌজিকমক স্কুলদা চৎলগা থিল্লুরো। উসব চাবা চৎপদা হায়রপ মান্নৈ হায়দুনা খোঙউপ ওন্নরকপনা তোঙানবা ৱানি। মীবু ওন্ননা পুরকপসিদি নঙসু হনুথংসিদা করি ৱাখল খল্লুবদগী শোয়রিনো? নঙ মতা অমা তৌরবনি, চহী মতাদুগা য়েংনীংদেদা'' তাইবোহলগী হনুবীদুনা পেহৌ পেহৌ ঙাঙলি। হনুবদুসু খোইদৌ শাওগৎলক্লে। ইচুম চুম্না ইফ ফনা তৌরুবনি। মমিৎকা খরা নুংঙাইতবদুদা, মাস্কা লোইনা উপ্নরে। মাসু নুপীগী সাবান হাইফেৎ মান্নবদুদা খূৎ থাঙ্গৎলুবনি। অঙাংদুসু মাগী মপুগুম্বা মাল্লুবরা কৈনো মাস্ক উপ্পদুদা খঙদনুনা মনাক্তা চঙশিল্লকপদগী অঙাং চুম্নরবোই নীংদুনা পুরকখিবনি। অদুগদি য়ূম য়ৌরকানসিদা ওন্থোকপা অমা ওইনা থোল্লুরে। মাই নুপী হনুবীদুনফাও মাবু ঈরাং তৌই, খৎলি হায়বীরে। অদুদদি কমাইনা শাওনীংলোইদৌরিবনো।

''হায় নুপীমচা, ইবেম্মা, লাও লাও ঐ নোইগী স্কুলদা থিল্লগে। ঐগী ইশুনুপীদুনা কমদৌরমদৌরিবা? লাও লাও চৎসি''

হায়দুনা গাড়ী ষ্টার্ট তৌরে। নুপীমচাদুসু কপ্না কপ্না কাখৎতুনা তোংলগা স্কুল তান্না অদুম থৌরক্লে। স্কুলদনা অঙাং ওন্ননা পুখ্রে হায়দুনা পুলিস-ও করি-ও তাক্লবা তৌদুনা ঈরাং তৌ লৈরম্মে। অদুগা মাগী অশেংবা মশুদুনা পেরি পেরি তৌদুনা মাবু লৌবা লাকপীদ্রে হায়দুনা স্কুলগী সিক্যুরিটি লৈরিবদুদা লৈরম্মে। তাইবোহলনা গাড়ীদু থুনা থৌজিল্লগা ৱারীদু লীরে। অদুগদি ময়াম পাখৎনরম্বা ময়ামদুসু নোকপদা লোইরে। মানা পুরুরিবা অঙাংদুগী মমা মপাদুসু, মচাদু রেন্সমগীদমক ফাখ্রে খন্দুনা পুলিস তাক্লবা ফোন তৌনদুনা লৈরম্বনি।

''ঐদি ইশু ওন্ননা পুরুরেদনা, লাও লাও চৎসি, নমানা য়ূমদা কপ্পদা লোইহৌরে ইচা ওন্নরে হায়দুনা, লাও লাও''

মাগী মতৌদুদা স্কুলদা লৈরম্বা ময়ামদু ৱা ৱা নোকহৌরি। গাড়ী থৌরমদাইদুদা ওনশিল্লগা তাইবোহলনা হায়রম্মী।

''মমাদুনা মচা শিংঙু হায়দনা অসোমদা কপহৌরি। ঐবু কমাইনা ইশু শিংঙুদৌরিনো হায়না মথা শারম্বনি, ফরে ফরে য়ৌরগে'' হায়রগা গাড়ীদু থৌরকখি।

*-নরেন্দ্র নিংঙোম্বা*

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।